# নভালনিনা জেলগী চৈরাক্কী মায়োক্তা তৌবা আপীল কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
রশিয়াগী কোর্ট অমনা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিদা পীখিবা চহী অহুমগী জেলগী চৈরাক্কী মায়োক্তা মহাক্না থাঙ্গৎখিবা আপীল থাংজ নুমিত্তা কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং কোর্টনা মহাক্কী জেল টর্ম মতম খরদং তেনশিনহনখ্রে।

মহাকপু চহী অহুমলোম জেলদা লৈবগী চৈরাক পীরিবদু পোলিটিকেল ইথিল য়াওই হায়না নাভালনিনা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা ক্রিটিক ওইরিবা নভালনি পেরোলগী কাংলোন থুগাইবগী মরালদা থা অসিগী অঙনবদা জেলগী চৈরাক পীখিবনি। নভালনিনা চার্জ অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়খি। নোংচুমলোমগী লৈবাকশিংনা কেস অদু কন্দেম তৌখি। হৌজিক মখোয়না রশিয়াদা অথিংবা কয়া থম্লবা খন্নরিবনি।

মোস্কোদা লৈবা কোর্ট অমনা মহাক্কী আপীল অদু য়াম্না থুনা রিজেক্ট তৌখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী জেল টর্ম অদুথা তরুক তেনশিনহনখি। কোর্টনা মঙোনদা অহানবদা চহী ৩.৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি। অদুম ওইনমক চৈরাক্কী মতম অদু হাউস এরেষ্ট তৌখিবগী মতম খাইদোক্লগা মতুংদা চহী অনী থা নিপাললোম ওইখি। হৌজিক মহাক চহী অনীমখাই খরা হেন্না জেলদা লৈরগনি হায়না মহাক্কী উকিলনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

কোর্টকী রুলিং অদুগী পাউখুম ওইনা নভালনিনা খরা করেম্নবগী মওংদা জেলদা লৈবগী মতম মখোয়না থা অমা মখায় হন্থবিরে য়াম্না ফরে হায়খি। ওপোজিসন পোলিটিসন অসিনা মমাংদা জজদা মহাক পেরোলগী কাংলোন খোঙ্গাওনখিবা লৈতে হায়খি। ক্রেম্লিন ক্রিটিক অসি মমাং চহীগী ওগষ্টতা সাইবেরিয়াদা পোইজনিং তৌখিবা মতুং জর্মনিদা লায়েংলুরগা হৌখিবা থাদা রশিয়াদা হল্লকখিবনি। নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা মহাক্কী কেস অদু নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পোইজনিং তৌখিবনি হায়না মরাল শীখি।

মমাং চহীদা মোস্কো প্রিজন সর্ভিসতা রিপোর্ট তৌবা ঙমখিবদু মহাক জর্মনিনা মশা ফগৎলকপা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা থোকখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ঐহাক্না জর্মনিদা লৈবদু মালেম পুম্বনা খঙনখি। হকচাং হেক ফরকপগা প্লেন টিকেট অমা কক্লগা ঐহাক য়ুমদা লাকখি হায়না নভালনিনা জজদা থমখি।

নভালনিনা মখা তারদুনা হায়খি, মহাক রশিয়াদা হল্লকপগী মতাংদা নুংনাংবা অমত্তা লৈতে। ঐখোয়গী লৈবাক অসি অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎ শাগৎখিবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা অচুম্বা পাল্লি। থেংলবসু ঙল্লবসু রশিয়নশিংনা অচুম্বা হায়বদু উরগনি।

# অথিংবশিং কোমথোকহনবগী মতাংদা ইরাননা পীরকপা প্রেসরদা চৎলোই: য়ুনাইটেদ ষ্টেটস



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৫ দা পুরকখিবা ইরান ন্যুক্লিয়র দিলদা অমুক হল্লকপগী মতাংদা টেহরান অমসুং মরু ওইবা পৱারশিংগা ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইরাননা প্রেসর পীরকপগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহেনবা এক্সন লৌখৎনবা থৌরাং তৌবা লৈতে হায়না হ্বাইট হাউসনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

একোর্দ অদু হিঙ্গৎহন্নবা কনানা অহানবা খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা অমগা অমগা খেন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা লাকখি। ইরাননা হায়রিবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহানবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী অথিংবশিং লৌথোক্কদবনি হায়বসিনি, অদুগা অমরোমদা ৱাশিংটননা হায়রিবদি টেহরাননা হান্না দিল অদু চপ চানা ইনগদবনি হায়বসিনি।

রিপব্লিকান ট্রম্পনা চহী অহুমলোমগী মমাংদা থাদোকখিবা টেহরানবু ন্যুক্লিয়র শাহন্দনবগী পান্দমদা পুরকখিবা দিল অদুদা লৈবাক অনীমক অমুক হল্লকপগী মতাংদা ইরানগা ৱারী শান্নবা শেম শারে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শগোলশেন নুমিত্তা হায়খ্রবনি। য়ু এসকী এক্তিং অম্বেসেদর রিচার্দ মিলসনা শগোলশেন নুমিত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা হায়খি মদুদি ইরানদা থল্লম্বা য়ু এনগী অথিংবশিং হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা অমুক হন্না থল্লে হায়বা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাফম অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হন্দোক্লগনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা অথিংবশিং হেক লৌথোকপগা টেহরাননা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং খুদক্তা হন্দোক্লগনি হায়না ইরাননা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মিচিগানদা পায়বদা এয়র ফোর্স ৱানদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন জেন সকিনা হায়খি, দিপ্লোমেটিক ৱারী শানবা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইরানগী মায়োক্তা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা থৌরাং তৌবা লৈতে।

দিল অদুগী মখাদা ইরাননা মালেমগী অথিংবশিং লৌথোকপগী ফীভমদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি। ট্রম্পনা দিল অদু থাদোকখিবা মতুংদা ৱাশিংটননা ইরানদা অমুক হন্না অথিংবশিং থমখি। মদুগী পাউখুম ওইনা ইরাননা দিল অদুদা পল্লিবা ন্যুক্লিয়রগী পনখৈশিং খোঙ্গাওনখি, এগ্রিমেন্ট অদু হিঙ্গৎহন্নবা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা থোক্লবা খন্নরিব্রা হায়না হংবদা সাকিনা হায়খি মদুদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ইরান অমসুং এগ্রিমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীরিবা মরু ওইবা পৱার তরুক হায়বদি বৃটেন, চাইনা, ফ্রান্স, জর্মনি, রশিয়া, অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবগী ৱাফম হৌদোরক্লে। মদুদা শরুক য়ানবা এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথেংবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মথৌ তাদে।

# ন্যু জিলেন্দগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌখ্রে

ৱেলিংটন, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
ন্যু জিলেন্দনা থাংজ নুমিত্তগী ওফিসল ওইনা ফাইজর বাইওএনটেককী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াসু নিংথৌকাবা নুমিত্তগী ভেক্সিন কাপ্পা হৌনবা থৌরাং তৌরি।

ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অসি কোরোনা ভাইরস লায়চৎ শিংথানিঙাই ওইনা লাকশিন্দুনা লাকখিবা লৈবাক অনীমক্কী ভাইরস লাকশিনবগী থৌরাংদা অনৌবা তাঙ্কক অমনি। পাক শন্না কাপ্পা হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইরাই নুমিত্তা ওকলেন্দদা মেদিকেল প্রোফেস্নেল খরদা ভেক্সিন কাপখি। পাক শন্না ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থাংজ নুমিত্তা বোর্দর ষ্টাফ অমসুং মেনেজ আইসোলেসন এন্দ ক্বারন্টিন/এম আই ক্যু ৱার্করশিংদা কাপ্তুনা হৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাইজর ভেক্সিনেসন হব ১৬ তা ভেক্সিন হান্না কাপকদৌরিবশিংদুগী মনুংদা হোটেল ক্বারন্টিন অমসুং হেল্থক্যের ৱার্করশিং য়াওগনি। মখোয়গা লোয়ননা ক্যের ফেসিলিটিশিংদা লৈরিবা অহলশিংসু কাপকনি। ন্যু জিলেন্দগী মীপুম খুদিংমক কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা ঐখোয়গী বোর্দর ৱার্কফোর্সতা হান্না ভেক্সিন কাপ্তুনা ঙসি ঐখোয়গী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌরে হায়না ন্যু জিলেন্দগী হেল্থ মিনিষ্টর অসলি ব্লুমফিল্ডনা ওকলেন্দদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ন্যু জিলেন্দনা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিং মিল্লিয়ন মঙা ভেক্সিন কাপ্পদা চহী অমা মপুং ফানা চঙগনি হায়না পারি। ওষ্ট্রেলিয়ানসু ওক্তোবর ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ২৫ ভেক্সিন কাপ্নবা পান্দম থল্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই লীশিং কয়া টেষ্ট তৌরবসু লৈবাক অনীমক্কী কম্যুনিটিশিংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন অমত্তা থেংনখিদে। মেলবোর্নগী ক্বরন্টিন হোটেল অমদা ইনফেক্সন খরা থেংনবগা লোয়ননা ওকলেন্দগী ইমুং অমগী মীওই অহুমদা য়াম্না লৌনগনবা য়ু কেগী কোভিদ ভেরিএন্ট থেংনবদগী চয়োল অসিদা লৈবাক অনীমক্তা লোকেল লোকদাউনশিং থম্নখি। লৈবাক অনীমক পেন্দমিক অসি মায় পাক্না হেন্দল তৌবা ঙম্বা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক ১০ গী মনুং চল্লি।

# স্পেনিস রাপ্পর জেলদা থম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা নুঙনা থাখ্রে



বর্সেলোনা, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
ঈশৈ শক্তুনা টেররিজম শিংথাবগা লোয়ননা রোয়েল্টিদা ঈকায়বা পীবগীদমক্তা রাপ্পর অমা জেলদা থমজিনখিববু য়ানিংদবা উত্তুনা স্পেনগী সিটি কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীওই কয়ানা পুলিস অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা নুঙনা থাজিনখ্রে।

গভর্ণমেন্টবু চৈ থাংবা ঈশৈশিং শকপগীদমক মমিং চৎলবা রাপ্পর পল্লো হসলদা থা মাপলগী জেলগী চৈরাক পিখিবদগী স্পেনদা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মতাংদা অকনবা দিবেট অমা লাকপদগী গভর্ণমেন্টনা স্পিচ লোশিংগী অথিংবশিং খরা কোমথোকহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিস অমসুং ঈরাং অদুবু কন্দেম তৌরিবা অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা টার্গেট তৌদুনা নুঙনা থাখি। বার্সেলোনাদা বেঙ্ক অমসুং ব্যুজনেসশিংদা এটেক তৌখি।

অৱাং থংবা কাতালোনিয়াগী সিটি গিরোনাদা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংবু তানখায়নবা হোৎনখি। নুমিৎ হুম্নি চুপ্না চত্থরকখিবা প্রোটেষ্টতা থোক্লিবা অমাং অতা থোকহনবা ঈরাং অদুবু স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সাঞ্চেজনা কন্দেম তৌখি।

দিমোক্রেসিনা খ্বাইদগী কান্নদবা ৱাখল্লোনশিং য়াওনা ফ্রীদম ওফ স্পিচপু ঙাক্লৌ পীরবসু দিমোক্রেসিনা হাৎন-শুনবা অমদি অমাং অতা থোকহনবগী থৌওংশিংবুদি কৈদৌঙৈদসু ঙাক্লৌ পীদে হায়না সাঞ্চেজনা থৌরম অমদা ফোঙদোকখি। থংনা থংননা নুমিদাং অহুম লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা অমোৎ অকাই হাপফমশিং অমসুং মোটোরসাইকল কয়া মৈ থাবগা লোয়ননা ষ্টোরশিং লুট তৌখিবা দেমোন্সত্রেটরশিংদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস অমসুং ফোম বুলেট কাপখি। কেপিটেল মাদ্রিদ অমসুং অতৈ সিটিশিংদসু প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, ইরাই নুমিত্তা বার্সেলোনাদা মীওই অহুম ফাখি। কাটালোনিয়াগী মফম কয়াদগী মীওই ৬০ রোম ফাগৎখি। বার্সেলোনাদা খুৎ থোক্লবদা নুপী অমা মমিৎ নামা শোকখিবগা লোয়ননা পোলিটিসনশিংনা পুলিসকী টেক্তিস থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখি। স্পেনদা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন লৈরবসু মদুগী ফ্রীদম অদুদা অকিবা পীবা কয়া লৈরে হায়না এম্নেষ্টিগী স্পেনিস মকোক ইষ্টেবান বেল্টরাননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

# টেররিষ্টশিংগী এটেক্তা পাকিষ্টানি লান্মী ৫ শিরে



সাউথ ৱাজিরিষ্টান, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ত্রাইবেল দিষ্ট্রিক্ট সাউথ ৱাজিরিষ্টানগী সারা রোঘাদা লৈবা সিক্যুরিটি চেক-পোষ্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা চত্থখিবা এটেক্তা লান্মী মঙা শিখ্রে অমসুং অমনা অশোক অপন নঙখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, শিখিবা লান্মীশিং অদু টেররিষ্টশিংনা ত্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টশিংদা লান্থেংনরকখিবা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা ফ্রন্টিয়র কোরগী ২২৩ ৱিংদগীনি। এটেক অদুদা টেররিষ্টশিংনা অপিকপা অমসুং অচৌবা নোংমৈশিং শীজিন্নখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরক্তি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সারা রোঘাদা লৈবা ইকবাল মেহমুদ কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা নুমিদাং অথেংবদা নোংমৈ কন্না কাপ্পা হৌরকখি অমসুং মদু মতম শাংনা চত্থখি। মতম শাংনা নোংমৈ কাপ্লবা মতুংদা মফম অদুগী মীওইশিং ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লরকখি। মতুং তারকপদা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা এটেক অদুদা চেন্নবশিং ফানবা মফম অদুগী য়ুমশিংদা চঙদুনা থিবা হুম্বা চত্থখি।

কুমজা ২০০৯ দা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসন রাহ-ঈ-নিজাট পাঙথোক্তুনা সারা রোঘাদগী টেররিষ্টশিং তকথোকখি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী এটেকশিং অদু সাউথ ৱাজিরিষ্টান দিষ্ট্রিক্টকী অহমাদজাই ৱাজির অমসুং মেহমুদ ত্রাইবগী এরিয়াশিংদা দিপ্লোয় তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চত্থখিবনি। সাউথ ৱাজিরিষ্টানগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ হেদক্বার্টর্স ৱানাগী মনাক্তা লান্মীগী গাড়ী অমদা আই ঈ দি অমা পোকখায়হনবদগী গাড়ীদুদা তোংলকপা লান্মী অনী শিখি অমসুং অতৈ মঙানা শোকখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবদুদা মিলিটেন্টশিংদা মীশি মিনা চাওনা থোকখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা মরু ওইবা লিদর ১০ য়াওনা টেররিষ্ট ৬০ শিখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক অমা চত্থখিবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱানা অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কর্ফিউ থমখি। মচিন চৎপা লোকেল অহলশিংগা নিগোসিএসন তৌনরবা মতুং ইরাই নুমিত্তা এদমিনিষ্ট্রেসন্না কর্ফিউ লৌথোকখিবনি।

# ঈ য়ুগী কোভিদ ভেক্সিন প্রোগ্রামগী কন্ত্রিব্যুসন শরুক অনী হেনগৎহনখ্রে

ব্রসেলজ, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
মালেমগী অনেম্বা অমসুং ময়াই ওইরপ্পা ইনকমগী লৈবাকশিংবু কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী খুদোংচাবা ফঙহনবদা মতেং ওইনবা পায়খৎপা ইন্টরনেস্নেল প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা কোভেক্সতা পিবা কন্ত্রিব্যুসন শরুক অনী হেনগৎলগনি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) না লাউথোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী চীফ উর্মুলা ভোন দের লেয়েননা ইরাই নুমিত্তা জি ৭ লিদরশিংগী ওইবা ভর্চ্যুএল সম্মিট অমদা হায়খি মদুদি ব্লোক অসিনা য়ুরো মিল্লিয়ন ৫০০ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৬০৬ রোম) গী অহেনবা শেনফম অমা পীরগনি। মসিনা গ্লোবেল ইনিসিএটিভ অসিদা ব্লোক অসিনা পীবা কন্ত্রিব্যুসন য়ুরো বিল্লিয়ন অমা য়ৌহল্লগনি।

অহেনবা শেনফম অসিনা কুমজা ২০২১ লোয়বা ফাওবগী মনুংদা লো অমদি মিদল ইনকম লৈবাক ৯২ দা ভেক্সিন দোজ বিল্লিয়ন ১.৩ ফঙহনবা হায়বা কোভেক্সকী টার্গেট অদু নকশিনহল্লগনি হায়না ঈ য়ুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

জর্মনিনা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখিবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৯০০ গী শেনফম য়াওনা পুন্না য়ুরো বিল্লিয়ন ২.২ হেনবা শেনফমগা লোয়ননা য়ুরোপ অসি কোভেক্সকী মরু ওইবা কন্ত্রিব্যুটরশিংগী মনুংদা অমনি।

ঐখোয়গী কোরোনা ভাইরস গ্লোবেল রেসপোন্সকী শরুক অমা ওইনা মালেমগী মথৌ তাবা মীওই খুদিংমকপু ভেক্সিন ফঙহন্নবগীদমক্তা থৌরাং অসিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবা হৌখি। মীপুম খুদিংমক ভেক্সিনগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পান্বেদি কোভেক্সনি। মালেম পুম্বা সেফ ওইরবা মতমদা ঐখোয় সেফ ওইগদবনি হায়না ভোন দের লেয়ননা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখিবা কন্ত্রিব্যুসন অদুদা গ্রান্ট ওইনা য়ুরো মিল্লিয়ন ৩০০ অমসুং য়ুরোপিয়ন ফন্দ ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট প্লস (ঈ এফ এস দি+) না পীবা য়ুরো মিল্লিয়ন ২০০ গী গরেন্টিশিং য়াওরি। গরেন্টিশিং অদুনা য়ুরোপিয়ন ইনভেষ্টমেন্ট বেজনা পীবা লোন শৌগৎকনি।

হৌজিক ফাওবদা পুন্না লৈবাক ১৯১ না কোভেক্স ফেসিলিটিদা শরুক য়ারি। লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা ৯২ দি গাড়ী কোভেক্স এদভেক্স এদভান্স মার্কেট কম্মিটমেন্টগী খুথাংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী খুদোংচাবা ফঙগদবা লো অমসুং মিদল ইনকম ইকনমিশিংনি। লৈবাকশিং অসি অয়াম্বনা অফ্রিকাদা লৈ।

# থাইলেন্দগী পি এম থাজদবগী ভোট লৌনবদা মায় পাক্লে

বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :
থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচা অমসুং মিনিষ্টর মাপল থাংজ নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা থাজদবগী ভোট লৌনবদা মায় পাকখ্রে।

মহাকপু মফম থাদোক্লবা তকশিনবা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লবা শেম শারকপগা ঈরোয়ননা নুমিৎ মরিনি চুপ্না সেন্সর দিবেট অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা থাজদবগী মোসনদা ভোট লৌনখিবনি।

ভোট অসিনা থাজবা লৈরি হায়বসি উৎলে হায়না নেস্নেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট চুৱান লিকপাইনা রিজল্ট অদু লাউথোক্লদুনা হায়খি। গভর্ণমেন্টনা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম লাউথোকপদা তপ্পা অমসুং অশোয়বা শেল থুমগী পোলিসি কয়াদা টার্গেট তৌখিবা ওপোজিসন লোমেকরশিংনা হীরমশিং অসিদা মখা তানা থিজিনখিগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি।


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 146/AS&SO/TBL, dt: 12-02-2021**

Khundrakpam Somorjit Singh S/o (L) Shyamo Singh of Khangabok Awang Leikai. ...*Applicant.*

-Vs-

(Late) Pattadar Khundrakpam Shyamo Singh S/o (L) Maimu Singh of Khangabok Awang Leikai, Co-pattadar No. 2 ...*Opp.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 16/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩ - খাঙবোক পাট্টা নং ৪০০ (অনৌবা), দাগ নং ৪৬৩৮ এরিয়া ০.২৪৫০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ২শুবা খুন্দ্রাকপম শ্যামো সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা সোমোরজিৎ সিংহগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9020/21

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 144/AS & SO-VIII/K dt. 09/02/2021**

Kshetrimayum Bisojit Singh S/o (Late) Ksh. Sanayan Singh of Kakching Makha Leikai.

-Vs-

(Late) Kshetrimayum Sanayan Singh S/o (Late) Kulla Singh of Kakching Khullen Makha Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

20/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা তহশিল খুন নং ৫৮-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ১০৯৫/Pat c (অনৌবা), দাগ নং ১১৫৭/Pat c, এরিয়া ০.০৬ (একর) হেক্টর ইঙ্খোল/ফৌরেল/লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার ক্ষেত্রিময়ুম সনায়ান সিংহ পীং মৃ: কুল্লা সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন মখা লৈকায় অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল/ফৌরেল/অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/6803/21 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

-----

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTIFICATION

Imphal, the 19th February, 2021

**No. VFA/TRG/2020-Vety. :** Applications from intending candidates are invited for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course at Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong for the academic session, 2020-21. Intending candidates are informed to download the application form from the departmental website **vetymanipur.nic.in** and submit the duly filled in form along with the required documents / testimonials to the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong with Rs. 800/- (Rupees eight hundred) only for General, OBC and Rs. 600/- (Rupees six hundred) only for SC, ST candidates being the examination fee on or before the date and time as detailed below:

| PARTICULARS | | DATE |
|---|---|---|
| Issue of online Application Form | : | 22nd February to 1st March, 2021 |
| Submission of Application Form | : | 25th February to 2nd March, 2021 (10:30 AM to 4:00 PM) (on working days) |
| Issue of Admit Card | : | 5th March & 6th March, 2021 (10:30 AM to 4:00 PM) |

The Entrance Test shall be held on **Sunday, the 7th March, 2021 from 9.30 a.m. to 11.00 a.m.** The venue of the Examination shall be given at the time of issue of admit card. Candidates are requested to read the instructions / information for the Entrance Test carefully given in the departmental website.

**Eligibility:**

- Candidates should pass Class-X Standard / Equivalent Examination from a recognized Board / Council.
- Candidate should attain 17 years and shall not exceed 25 years of age as on 1st January, 2021. However, the upper age limit is relaxable for 3 (three) years in respect of ST/SC/OBC candidates.

Sd/- H. Chaoba Singh
Director, Vety. & A.H. Services,
Manipur.

HL-P/9015/21

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 17-02-2021

**RESCHEDULED PROGRAMMES FOR THE BA/BSC/BCOM/ BFT/BSW/BTT 5TH SEMESTER EXAMINATION, 2020(NOVEMBER)**

*In supersession of this o.o: dated 3rd February, 2021, the programme for the aforesaid examination is rescheduled as under:*

| Date & Day | HONOURS/GENERAL 9 am to 12 pm | GENERAL 1 pm to 4 pm |
|---|---|---|
| 03-04-2021 Saturday | Honours Paper- V(H-505): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Chemistry-V(G-505)/English-V(G-505) | Anthropology-V(G-505) |
| 05-04-2021 Monday | Honours Paper-VI(H-506): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Botany-V(G-505)/Philosophy-V(G-505)/Statistics-V(G-505) | Economics-V(G-505)/BTT-502/BSW-502/BFT-502 |
| 06-04-2021 Tuesday | Mathematics-V(G-505)/Hindi-V(G-505) | Computer Science-V(G-505)/Sociology-V(G-505) |
| 07-04-2021 Wednesday | Zoology-V(G-505)/Manipuri-V(G-505) | Education-V(G-505)/BTT-503/BFT-503 |
| 08-04-2021 Thursday | Honours Paper-VII(H-507): Chm/Mat/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/Ben/DSt/Soc/Com/HR | Geology-V(G-505)/BTT-504/BFT-504 History-V(G-505) |
| 09-04-2021 Friday | Geography-V(G-505) | Physics-V(G-505)/Political Science-V(G-505)/BTT-501/BSW-501/BFT-501 |

*N.B.*

*1) The Internal Assessment marks of 30% for theory papers only are to be submitted to the undersigned on or before 10-03-2021 for getting the Admit Cards.*

*2) The practical examinations shall be conducted after the completion of the examination of theory papers.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/6805/21